# ‘কিমনা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিয়ন সম্মিট য়াওবা ৱাহন্থোক লৈরোই’



সিওল, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) :

মথং চয়োলদা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী সম্মিট অমদা য়াওননবা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উনদা ইনভাইট তৌরকখিবদা লৈবাক অসিনা য়াখিদ্রে।

সিওলগা লৈনরিবা মরীগী ফিভম অসিনা অসিগুম্বা সম্মিট অমদা য়াওবা হায়বসি ৱাহন্থোক লৈফম থোক্তে হায়রদুনা কিমবু মীফম অদুদা য়াওন্নবা হায়রক্লিবদুদা লৈবাক অসিনা রিজেক্ট তৌখিবনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়ন ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টশিং ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল জে সী এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইননা নবেম্বর ৫ দা কিমদা ইনভাইট তৌরদুনা লেট্টর অমা থাখি। মদুদা করিগুম্বা মহাক্না সম্মিট অদুদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদবা ওইরবসু এনভোই অমা থারক্লবসু য়াগনি হায়বা ৱাফম পনখি।

এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন)গা পার্টনর্রসিপ শেম্লকপা চহী ৩০ শুরকপগা মরী লৈননা মথং চহীদা সাউথ কোরিয়গী হিথাংফম সিটি বুসানদা এসোসিএসন অসিগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা মহাক্না থৌবু ওইদুনা পাঙথোকপদা কিমসু শরুক য়াবা য়াই হায়না মুননা ফোঙদোকখিবনি।

প্রসিদেন্ট মুনগী ওফিসনা হায়, কিম্না সম্মিট অদুদা য়াওদনবা ৱারেপ অমা লৌরকপসি য়াম্না নুংনাংনিঙাইনি। মহাকপু সম্মিট অদুদা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌরিবদু লুচিংবা অনীনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা মরা তপ্পা ফিভম লৈহন্নবা হোৎনবদা ইন্টরনেসনল সপোর্ট ফংনবগীদমক্তনি।

ইনভিটেসন অদুগীদমক্তা সিওলবু থাগৎপগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াদা কিম্না অদুগুম্বা সম্মিটতা শরুক য়ানবগী মতিক চাবা মরম ঐখোয়না থিবদা ফংবা ঙমদ্রে হায়বসি খঙবিনবা হায়জখি হায়না কে সী এন এনা ফোঙদোকখি।

# সর্বিয়াগা লৈনবা মরীদা শোক্লোই

মোস্কো, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) :

রসিয়ন ইন্টলিজেন্স ওফিসর অমনা সর্বিয়ন নুপা অমদা শেল খুৎশিন্নবা উৎপগীনি হায়বা ভিদিও অমগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা সর্বিয়ন প্রসিদেন্ট অলেগজেন্দর ভুসিকনা চথহনবা হৌখ্রবসু লৈবাক অসিগা রসিয়াগা লৈনরিবা মরীদা অকায়বা অমত্তা লাক্লোই হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ক্রেম্লিন্না ফোঙদোকখ্রে। সর্বিয়াগা লৈনবা মরীদি মচিন-মনাও ওইবগী করেক্টর চেনবা পার্টনর্রসিপ অমনি। করিমত্তনা মসিদা ইথিল পীবা ঙম্লোই হায়না ক্রেম্লিনগী স্পোক্সমেন দমিত্রি পেস্কোভনা পাউমীশিংদা হায়খি।

# এন্টি-ট্রম্প প্রোটেষ্ট

লন্দন, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) :

য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা নাটোগী সম্মিট য়াওনবা লাক্লিবা দিসেম্বরদা চৎক্কদৌরিবা মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা সেন্ট্রেল লন্দন্দা মহাক্কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রোটেষ্ট ওর্গনাইজরশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

# বাঘদাদকী প্রোটেষ্টতা মীওই ২ শিখ্রে, মীওই ৩৮ না অশোক-অপন নংখ্রে



বাঘদাদ, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) :

বাঘদাদতা লৈবা মরু ওইবা থোং অনীগী মনাক্তা শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা ইরাক্কি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টরশিংদা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপশিনবদা মীওই ২ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৩৮না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না সিক্যুরিটি অমসুং মেদিকেল সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মী অনীমক টিয়ার গ্যাস সেলশিং মকোক্তা হকথেংননা এইম তৌদুনা কাপশিনবদগী থোকখিবনি হায়না সোর্সশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

পুলিসগী মতুং ইন্না প্রোটেষ্টর অমা সিনাক থোং মনাক্তা শিখি অমসুং অতোপ্পা প্রোটেষ্টর অদুনা থংননা লৈবা অর্হার থোং মনাক্তা শিখি। হোস্পিটাল সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা, অশোক-অপন নংলবা প্রোটেষ্টর খরদি লাইভ রাউন্দ কয়া কাপ্লকপদগী মকোক্তা পানবা অমদি অতৈনা রবর বুলেটশিং অমসুং টিয়ার গ্যাস সেলশিংনা পানবা য়াওখি। হৌখিবা ওক্তোবরগী অঙনবা শরুক্তগী বাঘদাদ অমসুং সাউদর্ন ইরাক্তা চথরকখিবা ইরাংদা মীওই ৩০০ হেন্না শিখ্রে।

# ট্রুপ ৪,০০০ লৌথোক্লগনি হায়বা ৱাফম পেন্টাগোন্না য়াখিদ্রে



সিওল, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) :

নোর্থ কোরিয়াবু অকন-অরিং শীংবা ঙমহন্দনবগীদমক্তা সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবা অমেরিকান ট্রুপ ২৮,৫০০কী মেন্টেনেসকা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী হান্না পুথোক্লম্বা শেনফমদগী হেন্না পুথোরক্তবা তারবদি লৈবাক অসিদগী ট্রুপ ৪,০০০ ফাওবা লৌথোক্লবগী ৱাফম খন্নরি হায়বা সাউথ কোরিয়ন ন্যুজ রিপোর্ট অমা য়ুনাটেদ ষ্টেটসনা শগোলশেল নুমিত্তা য়াখিদ্রে।

সাউথ কোরিয়াগী চোসুন ইলবো পাউচেগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এস বৃগেদ অমা হায়বদি লাম্নী ৩০০০ দগী ৪০০০ ফাওবা ৱিথদ্রো তৌবগী ৱাফম সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবা য়ু এস মিলিটরিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা খন্নরে হায়না ৱাশিংটন্দা লৈবা মশক মমিং তাকথোক্তবা দিপ্লোমেটিক সোর্সশিংনা হায়খি।

য়ু এস কন্টিঞ্জেন্ট মেন্টেন তৌবগী চহীগী কন্ত্রিব্যুসন দোলর বিলিয়ন ৫ দা হেনগৎনবা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঙাকশেলগী চাদিংগী মতাংদা ৱারী শানবা তোকখিবা মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা রিপোর্ট অসি ফোঙলকখিবনি। সাউথ কোরিয়াগী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না ৱাশিংটন্না ট্রুপ মেন্টেনেন্সকী মতাংদা সিওলদা দিমান্দ তৌরিবা শেনফম অদু হৌজিক হৌজিক পীরিবা কন্ত্রিব্যুসনগী চাংদগী শরুক ৫ হেল্লি।

য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা হৌজিক কোরিয়ন পেনিন্সুলাদগী ট্রুপশিং লৌথোক্লবা খন্নরি হায়বা সোসুন ইলবোগী রিপোর্ট অদুদা অচুম্বা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়না পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন জেনাথন হোফমেনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাংদা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরনসু চাদিং সিয়ার তৌমিন্নবগী মতাংদা ৱারী শানবা মায় পাক্তবা মতমদা সাউথ কোরিয়াদগী অমেরিকান ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌনবগী থৌরাংশিং লৈরে হায়বসি মহাক্না খঙদে হায়খিবনি।

ভিয়েটনামদা চৎপা খোঙচৎ অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইস্পরনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা ইশ্যুগী মতাংদা ঐখোয়না মীচংশিংবু কিহনবা লৈতে। মসি তশেংনমক নিগোসিএসন অমনি। হ্বাইট হাউসকী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

# ‘কর্দিস ৱাই পি জিগী মতাংদা রসিয়াগা ৱারী শানরি’



অঙ্কারা, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) :

টর্কি অমসুং রসিয়াগী মরক্তা পুরকখিবা এগ্রীমেন্টনা কোল্লিবা মফমশিংদা কর্দিস ৱাই পি জি মিলিটেন্টশিং মখা তানা লৈশিনবগী থৌওং করম্না য়েংশিনগদগে হায়বগী মতাংদা অঙ্কারানা মোস্কোগা ৱারী শানদুনা খন্ন-নৈনরি হায়না টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্টর হুলুসি অকরনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাই পি জিনা য়ুফ্রেটিস তুরেলগী নোংপোক থংবা লমগী শরুক অমদগী অমদি তুরেল অসিগী নোংচুপদা লৈবা মনবিজ অমসুং টেল রিফাট টাউনশিংদগী হন্দোকপগী মতাংদা মোস্কোগা য়ানখিবা মতুং হৌখিবা থাদা অঙ্কারানা ৱাই পি জিগী মায়োক্তা লান্দাবা লেপখিবনি।

টর্কিনা ৱাই পি জি মিলিস্যা মপুং ফানা হন্দোকপা লৈতে হায়না কমপ্লেট তৌবগা লোয়ননা লমদম অদুদা লান্দাবা অমুক হৌরগনি হায়না কিহনখিবনি। তৌইগুম্বসুং রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভ্রোভনা মপুং ফানা হন্দোকপগা মান্নরবনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মোস্কোদা অঙ্কারানা অনৌবা মিলিটরি ওপরেসন অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবা লৈতে হায়নসু থাজবা পীরকখি।

দিফেন্স মিনিষ্টর অকরনা হায়খি মদুদি, টর্কিস বোর্দরদা লৈবা সিরিয়াগী কিলোমিটর ৩০ গী লম মচেৎ অমদগী মিলিটেন্ট ৩৪,০০০ অমসুং অচৌবা খুৎলায় ৩,২০০ হেন্না লৌথোক্লে হায়না রসিয়ানা হৌখিবা ওক্তোবর ২৯ দা টর্কিদা খঙহল্লকখি। অসুম্না থাজবা পীরকখ্রবা মতুংদা লৈরম্লিবা ফিভমনা ওন্না তৈন্নরবগী মতাংদা রসিয়ন ফেদরেসনগা খন্ন-নৈনরি হায়না অকরনা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিসন অমদা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না হৌজিকসু মনবিজ রিজনদা ৱাই পি জিনা সিরিয়ন রেজিমগী ইলিমেন্টশিংগী ফিজোল শেৎলগা মখা তানা লৈরি হায়না টর্কিনা লেপ্লে। টেল রিফাট টাউনদা পেট্রোলিং হেনগৎহনবগী মতাংদা রসিয়াগা ৱারী শানবগী থবক মখা চথরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী চহী ৮গী সিভিল ৱারদা টর্কি অমসুং রসিয়ানা অমগা অমগা মায়োক্নরিবা মায়কৈশিংদা শৌগৎনখ্রবসু মোস্কোনা শৌগৎপা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী ফোর্সশিং অমসুং ওপোজিসনগী মরক্তা য়ানবা খরা পুরকপা য়ানবগী মতাংদদি মখোয়না ৱার ফ্রন্ট কয়াদা খুৎশম্নরা থবক তৌমিন্নখি। লৈবাক অনীনা কুমজা ২০১৮ দা নোর্থ-ৱেষ্ট সিরিয়াগী ইদলিব রিজন্দা সীজফায়র জোন অমা শেম্বগী ৱাফম য়ানখি। ইদলিব অসি মরু ওইবা ইকোন কোন্না লৈহৌরিবা রেবেল ষ্ট্রোংহোল্ড ওইবগা লোয়ননা সিরিয়ন মিলিয়ন অহুমগী লৈফমশিংসু ওইরিবনি। মফম অদুগী সিরিয়ন খরদি লান অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা লাঞ্জেনখ্রবনি। নাকল অনীগী মরক্তা এগ্রীমেন্ট চৎনহনবা লৈনা লৈনা ইদলিবতা মখা তানা লান শোক্লখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা লাঞ্জেনবা মীওইশিংগী লৈফম কেম্প অমদা চথখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রবনি।

# পুটিননা চৈবদগী স্পেস সেন্টর অমা শাবগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে



মোস্কো, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) :

রসিয়াগী ফার ইষ্টতা ভোষ্টোক্নি কোস্মোদ্রোম হায়না খঙনবা স্পেস সেন্টর অমা শাবদা চেন্নরিবা কম্পনি অমগী মেনেজমেন্টকী মতাংদা ক্রিমিনেল কেস অনী লৌখৎলে হায়না রসিয়ন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা ফেসিলিটি অদুদা করপসনগী থৌওং কয়া চখ্রবগী মতাংদা কমপ্লেন্ট তৌখিবগা লোয়ননা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনশিং চথুনবা খঙহনখিবা মতুং চয়োল অনী ফাদ্রিঙৈদা রসিয়ন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

স্পেস ওপরেসনশিংগীদমক্তা হান্নগী সোভিয়েট রিপব্লিক কজাখষ্টানদগী রসিয়ানা লীজ তৌদুনা শীজিন্নরকখিবা লৈবাক্তুদা লৈরিবা বাইকুনুর কোস্মোদ্রোমদা মপান তাংদুনা লৈবা হন্থনবগী পান্দমদা রসিয়ানা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অমগী শরুক ওইনা কুমজা ২০১১ গী জন্যুৱারিদা ভোষ্টোক্নি কোস্মোদ্রোম শাবা হৌখিবনি।

তৌইগুম্বসুং থা অসিগী অঙনবদা পুটিন্না গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংদা মফম অদুদা পায়খৎলিবা কন্সট্রক্সনগী থবক্তুদা চথরম্লিবা শেঙ্গা-থুমজাগী থবক কয়াগী মতাংদা কন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি। মিলিয়ন চা কয়া হুখ্রে। ক্রিমিনেল কেস দজন কয়া লৌখৎলে, কোর্টকী ৱারেপ কয়া লৈবগা লোয়ননা মীওই কয়া অমসু জেলদা থম্লে হায়না পুটিন্না খোইরাং খোইশাওন্না হায়খি।

# বোলিভিয়াগী ইন্টরিম লিদরনা কুমজা ২০২০দা মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে



লা পাজ, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) :

অর্মাদ ফোর্সেসনা বোলিভিয়াগী ইলেক্তেদ হেদ ওফ ষ্টেট ইবো মোরালিস মফম থাদোকহনখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরে হায়না মশানা লাউথোকচখিবা রাইট-ৱিং সিনেটর জিনাইন অনেজনা কোংগ্রেসতা বিল অমা থাদুনা কুমজা ২০২০ দা মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে।

ইফে ন্যুজগী মতুং ইন্না জেনাইনন অনেজনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি মদুদি, মহাক্না হৌদোক্লিবা লেজিসলেসন অদুগী পান্দমদি লৈবাক অসিগী সেক্সন খুদিংমক্না ইকাই খুম্নগদবা রিজল্ট অমা লাকহনগদবা মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা ইলেক্তরেল প্রোসেস অমা লৈবাক অদুদা শোয়দনা লৈহনবনি।

প্রসিদেন্ট অমা অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বরশিং খন্নবগীদমক্তা বোলিভিয়নশিংনা ওক্তোবর ২০দা ভোট থাদনখি। মীখল নুমিৎকী মতুং মথংগী নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ওর্গনাইজেসন ওফ অমেরিকান ষ্টেট (ও এ এস)কী ইলেক্তরেল ওবজার্ভেসন মিসন্না মতমদুগী প্রসিদেন্ট মোরালিস অমসুং হান্নগী হেদ ওফ ষ্টেট কর্লোস মেসা ভোট মশিং থিবদা চিংননিংঙাই ওইবা ফিভম লৈবদগী রনওফ অমা পাঙথোকপা য়ানা লৈরে হায়খিবনি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No.1039/SDC/M Dt. 21/11/2019**

Laiphrakpam Pinto Singh S/o (Late) L. Ibobi Singh of Moirang Laiphrakpam Leikai.

-Vs-

(Late) Laiphrakpam Ibobi Singh S/o (Late) L. Gopal Singh of Moirang Laiphrakpam Leikai.

ꯈꯣꯡꯒꯥꯡ / **NOTICE**

Moirang, the 21st Nov., 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫২ - মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৩ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৫০৩৫, এরিয়া ১.২৫ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচানা লৌফম অসিগী মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি (ওবজেক্সন) তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি (ওবজেক্সন) লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/5343/22 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

## ꯀꯕꯤꯔꯥꯖ/ পাইলসকী ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐ ঙসিদগী চহী ৬কী মমাঙদগী পাইলসকী অনাবনা মরম ওইরগা খোঙ হান্বা য়াদবা, মপূং ফাবা ঙমদবা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বদা ঈ য়াওবা, অমাংথোঙগী মপান্দা শৌজ থোকপা, মনুংদসু পোন্বা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবা, চানীংবা পোক্তবা, হকচাং চোকথবনি। মণিপুরগী ওজা মাইবশিংদগী হীদাক চাদুনা লাকচখি। পৈশাতা তিংখি অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756 কী হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী শুপ্পগী নুমিৎ ২১নিদা পাইলস মপূং ফানা ফজখি অমদি চাবা থকপসু মপূং ফানা য়াজখি। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পেপরগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.)

*থাগৎচরিবা :* **S. Ibohal Meitei**
Laimanai Awang

HL-P/5090/22

## IN THE COURT OF SUB-DIVISIONAL OFFICER : BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 4/SDO/Bishnupur, 2019**

1. Ningthoujam Dhanabir Singh S/o (Late) Tombi Singh of Joipur Khunou.
2. Ningthoujam Baniton Singh S/o (Late) Tombi Singh of Joipur Khunou.
3. Ningthoujam Bikram Singh S/o (Late) Tombi Singh of Joipur Khunou. ...*Petitioners*

-Vs-

1. Ningthoujam Tombi Singh S/o (Late) Kabokchao Singh of Joipur Khunou. - O.P.

ꯈꯣꯡꯒꯥꯡ / **NOTICE**

Bishnupur, the 20th November, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Village No. 37 Bishnupur Awang মৃ: পাট্টাদার Ningthoujam Tombi Singh S/o (Late) Kabokchao Singh of Joipur Khunou, Patta No. 146 (Old)/174/1012, C.S. Dag No. 92 Measuring an area of 0.9700 area of Phourel Class and 2, Patta No. 556 (Old), 88 (New), C.S. Dag No. 89 measuring an area of 1.4500 area of Phourel class Pattadar মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর মচানুপা ৩ (অহুম) গী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

HL-P/5342/22 *Sd/-* **Sub-Divisional Officer, Bishnupur**

**STOCK MARKET** **STOCK MARKET**

**WANT TO EARN MONEY IN STOCK MARKET?**

**JOIN OUR FOLLOWING TRAINING PROGRAM**

| SL NO | Name of the Training | Date | Timing |
|---|---|---|---|
| 1. | 300th Batch Advance Course on Stock Market | 25th Nov to 7th Dec 2019 | 7.30am to 8.40am 3.00pm to 4.30pm |
| 2. | Comprehensive Option Strategy Training Program | 25 th Nov to 7th Dec 2019 | 10am to 12pm OR 9am to 4pm ( weekend) |
| 3 | ADVANCE PROFIT INTRADAY TRADING CLASS | Monday to Friday (During Live Market) | 9am to 3.30pm |

- Earn everyday Rs 5000 and above in Option Trading
- Become a Professional, Smart, Educated Trader to earn consistent income

PLS VISIT OUR ONE AND ONLY STOCK MARKET INSTITUTE IN MANIPUR ONLINE SHARE TRADING ACADEMY, 3RD FLOOR, GAMBHIR SHOPPING ARCADE,B.T.ROAD,IMPHAL,MANIPUR, M-9612470506

HL-P/5339/21,22

MSPDCL

MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

(3RD FLOOR, NEW DIRECTORATE BUILDING, NEAR 2ND MR GATE. IMPHAL-DIMAPUR ROAD, IMPHAL, MANIPUR–795001, INDIA)

## মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, ৮/১১/২০১৯ ইং

No. 3/2015/MSPDCL-COM/RAID/ : মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেট (এম. এস. পি. দি. সি. এল.) না কঞ্জুমরশিংদা নুমিৎ চুপ্পা মৈ ফংহন্নবা হোৎনরি। মসিগীদমক মীয়ামদগী রিভেন্যু মতম চানা খোমগৎপগা লোয়ননা নিয়মগী ৱাংমদা মৈ কোৎপা, মিটরদা মৈ চঙহন্দনা শীজিন্নবা অমদি মিটরগী খোঙজেল তপথহনবনচিংবা থৌওংশিং থিংনবা হোৎনরি। রিভেন্যু চপচানা খোমগৎপা ঙমদবনা কম্পেনিদা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লি।

ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩ গী সেক্সন ১৩৫ গী মতুং ইন্না মৈ হুরানবা হায়বসি খুদক্তা ফাবা পুনবা য়াবগী মরাল লৈরে হায়না লৌগনি। লোয়ননা জেলদা চহি অহুম ফাদোক তাবা, ফাইন থিবা নংত্রে হায়রগা অনিমক ফংবসু য়াই। মসিগী মথক্তা ফাগৎলবা মরাল লৈরবা কঞ্জুমরশিং অদুগী মিং, লৈফমনচিংবশিং অদু পাউ-চে, প্রিন্ট/ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া-নচিংবগী খুথাংদা মীয়ামদা খঙহল্লগনি।

কম্পেনি অসিনা চাং নাইনা তৌজরিবা থবকশিং অদুদি – রিভেন্যু খোমগৎনবা হোৎনবা, অৱাবা য়াওদনা অমদি নিয়মগী ৱাংমদা মৈ থানবশিং থদৎপা অমদি মৈ কোৎপদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং ফাগৎপনি।

ককথ্রবা মৈ অদু অমুক শমগে হায়রবদি মরি লৈনবা অকক্লবা ওথোরিটিগী অৱাবা চঙই। করিগুম্বা ককথ্রবা মৈ অদু নিয়মগী ৱাংমদা অমুক হন্না শমজিল্লম্বা তারবদি ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩, সেক্সন ১৩৫ গী মতুংইন্না চহি ২ (অনি) ফাওবা মৈ পীদবা য়াই।

কম্পেনি অসিনা মীয়ামদা অতৎ অখম লৈতনা মৈ ফঙহন্নবা হোৎনবদা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা কঞ্জুমরশিংনা মতেং পাংবিনবা হায়জরি।

ENERGY IS LIFE
BEE
CONSERVE IT

মৈ মাঙহন্দবা হায়বসি
মৈ পুথোকপগা মান্নে

Sd/-
মেনেজিং দিরেক্টর,
এম এস পি দি সি এল

HL-P/5809/17-22 Nov.